**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) দ্রোন অমসুং এ.আই য়াওবা খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা ড্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং হেন্না কনশিন্নবা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাজ্য পুলিসতা খঙহনখ্রে।

২) ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফ্যের ঙসিদগী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি কমপ্লেক্সতা হৌখ্রে।

৩) মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা জপান লোল তমনবা ত্রেনিং সেন্তর অমা হাংদোকবা য়ান্না চেরোল অমা সহি তৌনখ্রে।

৪) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু হয়েং বিজয় দিবস পাঙথোকবা শেম শারি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎকী অহানবা ওইনা ঙসি জোরদানগী অন্মানদা থুংখ্রে।

**------**

ভল্লা (এল)ঃ রাইপুরদা মমাং থাগী ২৮ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা দি.জি.পি অমদি আই.জি.পিশিংগী কনফরেন্স অদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা ইম্ফালগী

লোক ভবনদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিনা মপুংওইনা ফোংদোরকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা মণিপুরগী দি.জি.পি- রাজিভ সিংহনা রাজ্যপালদা মরিক চুমা পাউদমখি।

দি.জি.পিনা হায়- মীফম অদুদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা, তেরোরিজম অমসুং লেফটৱিং এক্সত্রিমিজম থেংনবা, মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবা, নুপীশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দবা, মীয়ামগী খোঙজংশিং নিংথিনা লাকশিনবা য়াওনা মরুওইবা হিরম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মসিগী মথক্তা প্রধান মন্ত্রিনা ড্রগ ফ্রি ওইবা ভারত অমা ওইহন্নবা অমসুং গৃহ মন্ত্রিনা জাতিগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙাক শেনবগী মতাংদা ফোংদোরকখিবা ৱাফমশিংসু মরিক চুমা পাউদমখি।

ৱাফমশিং অদু তারবা মতুংদা দ্রোন অমসুং এ.আইদা য়ুম্ফম ওইবা খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা ড্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং হেন্না কনশিন্নবা পুলিস এদমিনিষ্ট্রেসনদা পাউতাক পীখি। মসিগী মথক্তা পুলিস পার্সোনেলশিংবু মতমগা চুনবা ত্রেনিংশিং পীননবসু খঙহনখি।

মীফম অদুদা হোমগী কম্মিসনার, এ.দি.জি.পি, আই.জি.পি, দি.আই.জি অমসুং এস.পি. থাক্কী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

বুক ফ্যের(এল)ঃ ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফ্যের ঙসিদগী ইম্ফালদা লৈবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি কমপ্লেক্সতা হৌখ্রে। বুক ফ্যের অসি ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার ঐচ. গ্যান প্রকাশনা হায়- ঐখোয়গী ৱাখল লৌশিং হেনগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা মখলগী লাইরিকশিং পাবা তঙাইফদে। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ইন্তরনেট অমসুং ওনলাইনদগী লৌশিং গ্যান তানশিনবগী খুদোংচাবা কয়া ফংলবসু লাইরিক পাবগী কান্নবশিং অদুগী মহুৎ লোইনা শিনখ্রে হায়বদি য়াদ্রি। মপুং ওইবা লৌশিং গ্যানদি লাইরিক পারগা ফংগদবনি। অদুগা ইন্তরনেটকী খুত্থাংদা

ফংবা লৌশিং গ্যানশিং অমুক হাপচিনদুনা ঐখোয় ইশাবু হেন্না মতিক চাবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনগদবনি।

নুমিৎ ১০ নি চথুগদবা লাইরিক্কী মেলা অসিদা অতৈ রাজ্যশিংদগী লাকপা বুক স্তোল ১৩ য়াওনা পুন্না স্তোল ১০০ হেন্না হাংলি। মেলা অসি চথুরিঙৈ মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। লাইরিক ফোঙবা, পব্লিসর অমদি অইবশিংগা উনদুনা ৱারি শাবা, মরিনি চনবা নুমিত্তা ইন্তরনেটনা লাইব্রেরিগী মহুৎ শিনবা য়ারোই হায়বসিদা দিবেতিং কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি। ৬ নি চনবা নুমিত্তা চৈথারোল কুম্বাবগী মতাংদা ক্যুজ কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি। মসিগী মথক্তা অতৈ নুমিৎশিংদা কেরিয়র কাউন্সিলিং, খুদক্তা লাই য়েকপা চাংদমবা, আর্টিসশিং উনবা অমদি কেপাসিতি বিল্ডিংগী মতাংদা থৌরম কয়ামরুম পাঙথোক্কনি। লাইরিক্কী মেলা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি একাদমিসিয়ন, মহৈরোই, অইবা-অইবী, পব্লিসর অমসুং লাইরিকপু নুংশিজবা মীওইশিং শরুক য়াদুনা লমদম অসিদা ফংদবা লাইরিকশিং মপালগী স্তোলশিংদগী লৈহৌবা, লমদম অসিগী অরিবা অমসুং অতাংবা লাইরিকশিং লৈবগী খুদোংচাবা ফংহনবনি। মেলা অসিদা হাংলিবা স্তোল খুদিংমক্তগী লাইরিক লৈবা মতমদা চাদা ১৫ দিসকাউন্ট পীগনি হায়রি।

সোর্ট প্লে (এল)ঃ থিয়েতর সেন্তর মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা এম.দি.য়ু য়াইস্কুলদা পাঙথোকপা ৫৪ শুবা ওল মণিপুর সোর্ট প্লে কম্পিতিসন ২০২৫ গী ফল লাউথোক্লে। মণিপুর দ্রামাতিক য়ুনিয়নগী প্লে লম-খুনুনা বেষ্ট প্রদক্সন তারে।

বেষ্ট এক্তরনা, এক্তরস রিপরটরি থিয়েটরগী দ্রোনাচার্যা হায়বা দ্রোনাচার্যা শাখিবা য়াম্বেম মিলন্না তারে। বেষ্ট এক্ট্রেসনা মার্জিংপোল কলচরেল কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী- হিংহননিংলিবা থৱায় হায়বা প্লেদা থাজা শাখিবা কে.ঐচ. সনাতোম্বী চনুনা তারে। বেষ্ট দিরেক্সনগী মনানা হিংহননিংলিবা থৱায়গী দিরেক্তর কে.ঐচ. সনাতোম্বী চনুনা ফংলে।

এৱাৰ্দ (এল)ঃ লৈমারোল খোর্জৈকোল (লৈকোল) মণিপুরনা পীবা চোংথাম বিমালাবা শান্টা এৱাৰ্দ ২০২৫- লাইফটাইভ এচিভমেন্ট এৱাৰ্দ শকাইরবী শৈশকপী অমসুং রেদিও ব্রোদকাষ্টর অয়েকপম নিংঙোল চোংথাম ওংবী কমালাদা পীরে। মনা অসি ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা অথোইবী মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ- থোকচোম রাধেশ্যামনা খুৎশিন্নখি।

জপান লোল (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা জপান লোল তমনবা ত্রেনিং সেন্তর অমা হাংদোকবা এন.এস.দি.সি ইন্তরনেসনেল লিমিতেদ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেসনেল ষ্টদিজ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্টকী মরক্তা য়ান্না চেরোল অমা সহি তৌনখ্রে।

খোঙথাং অসিনা মণিপুরগী নহারোল কয়া জপানদা হেলথ কেয়ার, হোস্পিতালিতি, এগ্রিকলচর অমসুং মেন্যুফেকচরিংনচিংবা লম কয়াদা থবক পীনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। য়ান্নচে অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রগী মমাংদা এন.এস.দি.সি ইন্তরনেসনেল লিমিতেদকী সি.ই.ও- অলোক কুমার অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসার এম. পেমজিৎনা সহি তৌনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ভাইস চান্সেল্লরনা হায়- নৌনা হাংদোক্কদৌরিবা ত্রেনিং সেন্তর অসিনা মণিপুরগী নহারোলশিংবু লৈবাক অসিগী ৱাংমদা থবক ফংবগী চাং হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিতি অসিদা জপান লোল তমবা সেন্তর অমা হাংদোক্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবা হোৎননবসু প্রোফেসার লোকেন্দ্রনা ফোংদোকখি।

বিজয় (এল)ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু হয়েং বিজয় দিবস পাঙথোকবা শেম শারি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী পেলেস

ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়াগনি।

হেলথ (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুর অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা নেসনেল নিউ বোর্ন ৱিক ২০২৫-২৬ রাজ্য থাক্কী ওইনা হয়েং হৌদোক্লগনি। হৌদোকপগী থৌরম অসি লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসকী এন.ঐচ.এম কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কনি। চয়োল পালন অসিগী থিমদি- নিউ বোর্ন সেফতি-ইভরি টচ, ইভরি টাইম, ইভরি বেবি হায়বসিনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তকুমার সিংহ, ষ্টেট মিসন দিরেক্তর, এন.ঐচ.এম- ডাঃ এম. দিনেশ সিংহ অমসুং ফেমেলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী দিরেক্তর ডাঃ এন. বিনো সিংহ শরুক য়াগনি।

য়ুনিভর্সিতি (এল)ঃ স্প্রিংসেদ মেনেজমেন্টকী মতাংদা অহুমশুবা ইন্তর দিপার্টমেন্তেল রাউন্দ তেবল কনফরেন্স ঙসি দি.এম য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী পি.জি.ব্লোক্কী সেমিনর হোলদা পাঙথোকখ্রে। ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি অমসুং রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দি.এম য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবু, দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর ডা.টি ব্রজকুমার সিংহ, ৱাতর রিসোর্সেস বিভাগকী চিফ ইঞ্জিনিয়র ৱাই হোমেন্দ্রো সিংহ, চিফ কঞ্জরভেতর ওফ ফোরেষ্ট এল.জয়কুমার সিংহ শরুক য়াখি।

ফিলম (এল)ঃ লমদম অসিদা পুথোক্লিবা মণিপুরগী ফিলম, এলবম, সেরিয়েল দ্রামা অমদি ৱেব সেরিজনচিংবদা লমদম অসিবু লান্না উহনবা য়াবা সিনশিং য়াওহন্দনবা ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)না হায়রি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল

অমদা হায়- নোংমগী চরা তাল্লিবী মমা ওইবী কয়াবু ইকায় ফিরুক খুম্বা য়াবা অমদি লমদম অসিগী চৎনবীবু ইরাং কৈথেল ওইনা উহল্লগা শেন্দোং তান্নবা খক হোৎনরোইদবনি। মসিগী মতাংদা ফিলমগা মরী লৈনবা লুপশিংনা মীৎয়েং চংবীনবসু হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, কামোংগী সি.এস.ওশিং, কৈনৌগী ৱার্দ মেম্বর, কোল্লা খোং হাইস্কুলগী প্রিন্সিপাল অমসুং তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা মণিপুরদা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা থাজনবা অমসুং নুংশিনবা হেনগৎহন্নবা ৱারী শান্নবগী থৌরম চথখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়- পল্লেল গেরিসনদা অখন্নবা লেমা লায়েংবগী থৌরম অমসু ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীচম ১৮০ য়াওনা পুন্না মীওই ২৫০ রোম লায়েংখি।

ওরেঞ্জ (এল)ঃ তমেংলোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা রাজ্য থাক্কী ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল বোইকোট তৌগনি হায়না জেলিয়াংরোং সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংগী অপুনবা কাংবু অমনা তৌরম্বা অদু হন্দোকখ্রে। সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অসিগী অথুবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্লবা মতুংদা বোইকোট হন্দোকবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি হায়রি।

জিরিবাম (এল)ঃ নেসনেল বি-বোর্দকী থৌশিল মখাদা কেস্যুনট দিভলপমেন্ট ওফিসার জিরিবামনা শিন্দুনা চত্থরকপা নুমিৎ ৭ নিগী ওইবা বৈগ্যানিক ওইনা হয়িং খোই য়োকপগী বেসিক ট্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা খনগৎলবা বেনিফিসরি ২০ দা খোই উপু য়েন্থোকখি।

ঈশিং (এল)ঃ মোইরাংখোম ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ৱাটর ট্রিটমেন্ট য়ুনিতশিং শেংদোকপগী থবক ঙসিদগী হৌখ্রে। ৱাটর

সপ্লাই মেন্টেনেন্স দিভিজন নম্বর ৱানগী চেরোল অমনা হায়- মসিনা মরম ওইদুনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী  মনুং চন্না লৈরিবা মফমশিংদা নুমিৎ ৬ নিরোম ঈশিং পীবা লেপকনি।

অমরোমদা, ৱাটর সপ্লাই মেন্টেনেন্স দিভিজন নম্বর টুগী চেরোল অমদা হায়- নিংথেম পুখ্রি ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট শেমজিন শাজিনবগা মরী লৈননা নুমিৎ হুমিরোম স্কিম অসিনা কোনবা মফমশিংদা ঈশিং পীবা লেপকনি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎকী অহানবা ওইনা ঙসি জোরদানগী অম্মানদা থুংখ্রে। মহাকপু জোরদানগী প্রধান মন্ত্রি ডাঃ জফর হাসননা হরাউ তয়ামা ওকখি। মহাকপু হরাউ তয়ামা ওকপীবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- খোঙচৎ অসিনা জোরদান অমসুং ভারতকী মরক্তা লম কয়াদা তেংবাংনবা হেনগৎহনবা ঙম্লগনি।

লৈবাক অদুগী নিংথৌ অবদুল্লা টু বিন অল হুসেন্না বার্তন তৌরকপদগী লৈবাক অদুদা চৎপনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা কুতনিতিগী মরী লৈনরকপা চহি ৭৫ ফারকপগী পালন থৌরমসু খোঙচৎ অসিদা পাঙথোক্কনি। জোরদান খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইথিওপিয়া অমসুং ওমানদা মথং মথং চৎকনি।

রাজ্য সভা ঃ মীখলগী মওং মতৌ শেমদোকপগী মতাংদা রাজ্য সভানা ঙসি মখা তানা খন্নবা হৌখ্রে। খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এ.আই.এ.দি.এম.কেগী ডাঃ এম. থম্বীদুরাইনা হায়- ময়েক শেংবা অমসুং চপ চাবা ইলেক্তোরেল রোলনা গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি অমসুং মনুং মপান ফাওনা উহনদুনা ভোতরশিংদা শক্তি পী। মহাকা হায়- মীখলগী ভোৎ খোম্বা হায়বসি য়ামা মরুওইবা থবকশিংগী মনুংদা অমনি। অদুনা রাজনীতি দলশিংদা ভোৎ খোমবগী চপ চাবা খুদোংচাবা পীগদবনি। মহাকা হায়- ইলেক্সন কম্মিসন অসি মপাঙ্গল কনবা গনতন্ত্র অমগী য়ামা মরুওইবা শরুক অমনি।

ৱাই.এস.আর.সি.পিগী ৱাই.ভি. সুভা রেদ্দিনা হায়- মীখলগী মওং মতৌ শেমদোকপা হায়বসি লেপ্তনা চত্থরকপা থৌওং অমনি। মসিনা মীখল শিন লাংবদা অচুম্বা লৈহনগদবনি। মীখলগী সি.সি.টি.ভি ফুটেজ মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইহনগদবনি অমসুং পোল্লিং ষ্টেসন পুমমক্তা লাইভ ৱেব কাষ্টিংগী খুদোংচাবা লৈহনগদবনি হায়না মহাকা দাবী তৌখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ  এ.আই.এফ.এফকী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদি ফুটবোল ক্লব কুম্বী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রুকপুনা উৎলৌ এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ  অহুমসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইতেদ এফ.সিনা শঙাই হিরোসপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুনাইতেদ চান্দেল এফ.সিনা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখি।

উখ্রুল ঃ   ৬৮ রক শুবা সোমি মেমোরিয়েল স্পোর্টস মিট ঙসি হুংপুংগী বক্সি গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।  স্পোর্টস মিট অদু ফুংয়ার এ.সিগী এম.এল.এ- লৈসিও কৈশিংনা হৌদোকখি।

পোলো (এল)ঃ  ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা অনিসুবা দি.জি.এ.আর মেন্স এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা- এম.পি.এস.সি-বিনা অসাম রাইফলস টিম-এবু পাঞ্জল ৫-৪ দা, ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লবনা এম.পি.এস.সি-এবু পাঞ্জল ৯-৪ দা, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা থাংমৈবন্দ য়ুথ

পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৩ দা অমদি এক্স পোলো ক্লবনা লুৰাংপোকপা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১১-৩ দা থোইখ্রে।

জিৎকুন্দো (এল)ঃ নিউ দিল্লিদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১১ শুবা নেসনেল সব-জ়নিয়র এন্দ সেনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন জিৎকুন্দো চেম্পিয়নসিপতা জিৎকুন্দো এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী শান্নরোই ২৬ অমসুং ওফিসিয়েল ৬ শরুক য়ারি।

ক্রিকেটঃ নাগপুরদা চত্থরিবা বি.সি.সি.আই দোমেষ্টিক সিজ ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি প্লেট, ৱিমেন্স য়ুথ লিষ্ট-এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা মেঘালায়াবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এম.পি.এ থৌনাউজমনা এস.এস.য়ু শিংজমৈ ককৱাবু রন ৩৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.সি.দি.ও কোংপালনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ১৫১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা রেজ নাগামপালনা এল.সি.সি লমশাংবু রন ৩৩ দা থোইখ্রে।

------